# বিজয় রুপানিনা গুজরাটকী অনৌবা চীফ মিনিষ্টরওইরগনি



অহমেদবাদ, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী) :

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পী) না বিজয় রুপানিবু গুজরাটকী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখ্রে। নিটিন পটেলবুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখি।

মমাঙদা রিপোর্ট অমনা হায়খিবনি মদুদি অনন্দিবেন পটেলগী কেবিনেটতা খ্বাইদগী সেনিয়র ওইরবা মিনিষ্টর ওইখিবা নিটিন পটেলনা ষ্টেট অসিগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি। বি জে পীগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা অহমেদবাদতা চত্তুনা নেসনল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) অমসুং গুজরাটকী ইন চার্জ পুরিবা জেনরল সেক্রেটরি দিনেস শর্ম্মগা লোয়ননা খন্নরবা মতুংদা বিজয় রুপানিবু অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখিবনি। মমাঙদা পাল্লম্বা অনন্দিবেন পটেলনা লুচিংবা গভর্নমেন্টতা নিটিন পটেলনা হেলঠ মিনিষ্টর ওইখিবগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী স্পোক্সপর্সনসু ওইখিবনি।

সোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, ওগষ্ট ৭ তা বিজয় রুপানিবু অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৰাশক লৌরগনি। পার্টিগী এম এল এশিংনা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অমদা রুপানিবু চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবা ৰারেপ লৌখি। মীফম অদুদা বি জে পীগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহ অমদি সেনিয়র লীদর নীটিন ঘটকারিনচিংবা লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

বি জে পী গুজরাট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা বিজয় রুপানিনা মমাঙগী গভর্নমেন্টতা ট্রান্সপোর্ট, ৱাটর সপ্লায়, লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্টকী মিনিষ্টর ওইখিবনি। কুমজা ২০১৪ দা মহাক রাজকোট ৱেষ্ট এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মায় পাক্তুনা অহানবা ওইনা এম এল এ ওইখি। অনন্দিবেন পটেলনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা অমিট শাহনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরবা য়াই হায়না ঙাঙনবা লৈখি। অদুবু পার্টিগী সেনিয়র লিদর ভেনকায়া নাইদুনা হায়খি মদুদি অমিট শাহনা নেসনল প্রসিদেন্টকী ফম থাদোকপগী ৱাফম লৈতে। মরম অদুনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম তান্নবদা মহাক য়াওদে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অনন্দিবেন পটেলনা গভর্নর ও পি কোহলিদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখি। বি জে পীগী পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দনা অয়াবা পীরবা মতুংদা মহাক্না গভর্নরদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখিবনি। গভর্নরনা অনন্দিবেন পটেলবু ফম থাদোকপগী ৱাফম অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা অনৌবা মীশক অমা চীফ মিনিষ্টর ওইনা খন্দ্রিফাওবা মখা তানা ফম অসি পায়নবা খঙহনখি। গুজরাটতা পটিদার ফুরুপকী মীওইশিংনা রিজর্বেসনগা মরী লৈননা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অমসুং দলিট ওর্গনাইজেসন কয়ানা ঈরাং হৌরকখিবদা মওং মরিল তানা ফীভম লাকশিনবা ঙমদে হায়বগীদমক অনন্দিবেন পটেলনা লুচিংবা গভর্নমেন্টপু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপা লৈখি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা পটেলনা মশাগী চহী ৭৫ শুরবা মরম্না মখা তানা চীফ মিনিষ্টর ওইবদা মতিক চাদ্রে হায়না লৌবদগী ফম থাদোকখিবনি।

# অনাবা ৮৯৩ খুদিংগী দোক্তর অমমম থুংনৈ: এফ এস কুলাস্তে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিদা অনাবা মীওই ৮৯৩ খুদিংগী দোক্তর অমমম থুংনৈ হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেলঠ ফাগন সিংহ কুলাস্তেনা লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা ঙসি ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক অসিদা রেজিষ্টর তৌরবা এলোপেথিক দোক্তর লাখ ৯.৫৯ লৈ। অয়ুরবেদ, য়ুনানি অমসুং হোমিওপেথিগী দোক্তর মশীংনা লাখ ৬.৭৭ নি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এলোপেথিগী ওইনা দোক্তর অমগা পেসেন্ট ১,৬৮১ গা থুংনৈ। করিগুম্বা অয়ুরবেদ, য়ুনানি অমসুং হোমিওপেথিগা পুনশিনবা তারবদি অনাবা ৮৯৩ খুদিংগী দোক্তর অমমম থুংনৈ হায়না লোক সভাদা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। লৈবাক অসিদা মতিক চাবা মেদিকেল ক্বালিফিকেসন পায়বা এলোপেথিক দোক্তর লৈতে অমসুং দোক্তর, নর্স অমদি মীদৱাইফকী মশীং ৱাৎলি হায়না ৱর্ল্ড হেলঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ ঐচ ও) না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগা মরী লৈননা পুখৎলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়ন মেদিকেল কাউন্সিল এক্ট ১৯৫৬ কী মতুং ইন্না ষ্টেট মেদিকেল কাউন্সিলদা রেজিষ্টর তৌরবা দোক্তর খক্তনা প্রাক্তিস তৌবা য়াই। এক্ট অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরকপা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপা ঙম্মী।

কুলাস্তেনা হায়খি মদুদি লৈবাক অসিদা রেজিষ্টর তৌরবা ওকজিলরি নর্সমীদৱাইফ ৭,৮৯,৭৯৬ অমসুং নর্স ১৭,৯৩,৩৩৭ লৈ। অপুনবা নর্স লাখ ১৭.১০ লৈবগা লোয়ননা অনাবা ৭৪৮ খুদিংগী নর্স অমমম থুংনৈ হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# বিহারদা মীওই লাখ ৩৩ ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নবগা লোয়ননা ৮৯ শিখ্রে

পাটনা, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী) :

বিহারগী দিষ্ট্রিক্ট ১৪ দা মীওই লাখ ৩৩ রোম ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নবগা লোয়ননা ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শিখিবা মীওই ৮৯ শুরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টনা হায়খি মদুদি সরন দিষ্ট্রিক্টতা খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরে। ঈচাওনা মরম ওইরদুনা পুর্নিয়া দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ২৬, অরারিয়াদা ২১, কটিহারদা ১৫, সুপোলদা ৮ অমসুং কিসনগঞ্জদা মীওই ৫ শিখি হায়না দিপার্টমেন্ট অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোকখি।

মাধেবপুরা অমসুং গোপালগঞ্জদা মীওই মরি-মরি; দরভঙ্গদা মীওই অহুম অমসুং সহরশা, মুজাফরপুর অমদি সরন দিষ্ট্রিক্টতা মীওই অমমম শিখি হায়রি। নোং কন্না চুবদগী মহানন্দ, বাখরা, কনকায়, পারমর, কোশি অমসুং অতৈ তুরেল কয়াগী ঈমায় পাথোরক্তুনা পুর্নিয়া, কিসনগঞ্জ, অরারিয়া, দরভঙ্গ, মাধেপুরা, ভগলপুর, কাটিহার, সহরশা, সুপোল, গোপালগঞ্জ, ইষ্ট চম্পরন, ৱেষ্ট চম্পরন অমসুং মুজাফরপুর দিষ্ট্রিক্টশিংদা ঈচাও থোকহনখি।

খ্বাইদগী ইকোন কোন্না ফংবা রিপোর্ট মতুংইন্না ভগলপুরগী কাহলগাউনদা গঙ্গা তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা ৱাংখৎলক্লে হায়রি। সিৱান দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদনা ঘগ্রা তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মীওই লাখ ৬.৪১ খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা হোংদোকহন-খিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা হি ১,৪৯০ শীজিন্নদুনা মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলি হায়না দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি। ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মফমশিংদা নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) অমসুং ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এস দি আর এফ) কী টীম কয়ানা মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলি।

# সার্ক লৈবাকশিংদা টেররিজম শৌগৎপা তোক্নবা খঙহল্লম্লে : রাজনাথ সিংহ

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী) :



য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ৱারেপ ইকায়খুম্নদুনা টেররিজম শৌগৎপা তোক্নবা সার্ক লৈবাকশিংদা খঙহল্লম্লে হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙখিবদা হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়ানা টেররিজমগী মতাংদা পোক্লিবা নুংনাংবা পুম্নমক সার্ক লৈবাকশিংদা ময়েক শেংনা খঙহল্লম্লে। পাকিস্তান্না টেররিজম শৌগৎপা তোকপগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা মখল অমত্তগী টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন ওপরেট তৌহল্লোইদবনি হায়নসু তকশিল্লম্লে।

সার্ক লৈবাকশিংগী ওইবা হোম মিনিষ্টরশিংগী মীফমদা শরুক য়ারুবা রাজনাথ সিংহনা রাজ্য সভাদা হায়খি, টেররিজমবু পুক্নিং থৌগৎলোইদবনি অমসুং টেররিষ্টশিংবু মরৈবাক নীংবা অথৌবা ওইনা উৎনবা হোৎনরোইদবনি হায়না মীফমদা শরুক য়াখিবা মীওই পুম্নমক্তা ময়েক শেংনা খঙহল্লম্লে।

য়ু এননা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন কয়ামরুম অথিংবা থমখিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, য়ু এনগী অথিংবা অদু ইকায়খুম্নদুনা টেররিজমগী মায়োক্তা মালেমগী মীয়াম পুন্না লেপমিন্নবা মথৌ তারে হায়না সার্ক মীফমদা শরুক য়াখিবা মীওই পুম্নমক্তা ময়েক শেংনা খঙহল্লম্লে। তরেৎশুবা সার্ক হোম মিনিষ্টরস কনফরেন্স য়াওরুরগা ঙরাং হল্লকখিবা রাজনাথ সিংহনা রাজ্য সভাদা এম পীশিংনা হংখিবা ৱাহং কয়াগী পাউখুম পীখি।

পাকিস্তানদা মীওই কয়ানা রাজনাথপু চঙহনবা য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিল্লকখিবগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, পাকিস্তানি গভর্নমেন্টনা প্রোটোকোল ঙাক্না চৎখিদবগা লোয়ননা ইন্দিয়াদগী চৎখিবা পাউমীশিং মীফম পাঙথোকফমদা চঙহনখিদে। দুরদর্সন, এ এন আই অমসুং পি টি আইগী পাউমীশিং সার্ক মীফম পাঙথোকফমদা চঙহনখিদে হায়না মহাক্না রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, পাকিস্তানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা চাকলেন য়াওবা থৌরম অমদা শরুক য়াবীনবা হায়জরকখি অদুবু থৌরম অদু য়াওরম্বা তৌদনা ইনিদয়াদা হল্লকখি। পাকিস্তানি গভর্নমেন্টনা পাউমীশিং চঙহনখিদবগী থৌওং অদুগী মতাংদা কমেন্ট পীবা ঙমদে অদুবু মফমদুদা চাক চাবা চৎপা নত্তে হায়বা ময়েক শেংনা খঙহনবা ওইনা ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা শীনবা চাকলেন য়াওবা থৌরম অদু য়াওরমদনা হল্লকখিবনি।

# 'চাইনানা ইন্দিয়া মনুংদা লম্বী শেম্নকপা লৈতে'

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী) :

ফন্দ ৱাৎপনা বোর্দর রোদস ওর্গনাইজেসন (বি আর ও) গী থবক থৌরমশিংদা অপনবা থোকহল্লোই হায়না পল্লদুনা দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারনা হায়খ্রে মদুদি চাইনানা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ মনুংদা লম্বী শেম্নকখিবা লৈতে।

লোক সভাগী ৱাহং পাউখুম মতমদা পরিকারনা হায়খি, হৌখিবা চহী অনীগী মনুংদা চাইনানা ইন্দিয়াগী মফম অমত্তদা লম্বী শেমখিবগী থৌদোক লৈখিদে। ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, ফন্দ ৱাৎপনা বি আর ওগী থবক্তা অপনবা থোকহনখিবা লৈতে। চাইনাগা লোন্নবা ঙমখৈগী শরুক্তা মরুওইবা লম্বী ৭৩ মশক খঙদোকখিবগা লোয়ননা অপুনবা কিলোমিটর ৩,৪১৭ শাংবা লম্বী ৬১ শেমগৎনবা বি আর ও দা শিন্নখি।

মদুগী মনুংদা লম্বী ২২ শেম্বা লোইখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা লম্বী মঙা চহী অসিগী মনুংদা শেম্বা লোইশিল্লগনি। কুমজা ২০১৭, ২০১৮, ২০১৯ অমসুং ২০২০ দা মথংশিংনা লম্বী ৮, ১২, ৮ অমসুং ৬ শেম্বা লোইশিল্লগনি হায়না মিনিষ্টরনা লোক সভাদা ফোঙদোকখি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, মনুং হঞ্জিনবা মফম খরদা কন্সত্রক্সন মেটরিয়েল ফংদবদগী লম্বী শেম্বগী থবক্তা মতম খরা চঙখি।

অমরোমদা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা নৌনা উংখৎনরকখিবগা লোয়ননা মথং চয়োলদা চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়ি ন্যু দিল্লিদা লাক্তুনা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারী শানগদৌরি। তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়ানা মরম ওইরগা য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী শোকচিল্লকপদগী চাইনানা অনৌবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি। চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা ন্যু দিল্লিদা থুংলরবা মতুংদা ইন্দিয়ানা চাইনাগী হাংঝৌদা পাঙথোক্কদবা জি-২০ সম্মিটতা শরুক য়াবগী মতাংদা ৱারী শানগদৌরি। অদুমওইনমক ৱাংগী খোঙচৎ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদনি হায়রি।


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF RURAL DEVELOPMENT & PANCHAYATI RAJ

### NOTIFICATION

Imphal, the 4th August, 2016

**No.1/113/77-RD/XV/2016:** In pursuance of Government approval letter No. 12/11/2016-RD&PR (Pt.) dated 4th August, 2016, the Rural Development & Panchayati Raj Department, Government of Manipur, invites applications in the prescribed format from intending candidates for appointment to the following posts on temporary basis through sponsorship of the concerned Employment Exchange in Manipur:-

| Sl. No. | Name of Posts | QUALIFICATIONS | PAY SCALE (ROP 2010) | No. of posts | ST | SC | OBC | OBCMP | UR | PH 3% Horizontal |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | PROGRESS ASSISTANT (PA) | GRADUATE FROM A RECOGNIZED UNIVERSITY | Rs 9300-34800/- + 4200/- (GP) | 28 | 8 | 0 | 3 | 1 | 16 | 1 |
| 2 | VILLAGE LEVEL WORKER (VLW) | GRADUATE FROM A RECOGNIZED UNIVERSITY | Rs 5200-20200/- +2400/- (GP) | 56 | 17 | 1 | 8 | 2 | 28 | 2 |
| 3 | LOWER DIVISON CLERK (LDC/ REDESIGNATED AS OFFICE ASSISTANT CUM COMPUTER OPERATOR) | GRADUATE FROM A RECOGNIZED UNIVERSITY | Rs 5200-20200/- +1900/- (GP) | 28 | 8 | 0 | 3 | 1 | 16 | 1 |
| | | | SUB-TOTAL | 112 | 33 | 1 | 14 | 4 | 60 | 4 |
| 4 | ROAD MUHORRIR (RM) | MATRICULATE/HSLC OF A RECOGNIZED BOARD | Rs 5200-20200/- +1900/- (GP) | 28 | 8 | 0 | 3 | 1 | 16 | 1 |
| | | | SUB-TOTAL | 28 | 8 | 0 | 3 | 1 | 16 | 1 |
| 5 | DRIVER | MATRICULATE/HSLC OF A RECOGNIZED BOARD WITH DRIVING EXPERIENCE OF NOT LESS THAN 3 YEARS | Rs 5200-20200/- +1900/- (GP) | 28 | 8 | 0 | 3 | 1 | 16 | 0 |
| 6 | GRADE IV (PEON) | MATRICULATE/HSLC OF A RECOGNIZED BOARD | Rs 4440-7440/- +1300/- (GP) | 56 | 17 | 1 | 8 | 2 | 28 | 2 |
| | | | SUB-TOTAL | 84 | 25 | 1 | 11 | 3 | 44 | 2 |
| | | | TOTAL | 224 | 66 | 2 | 28 | 8 | 120 | 7 |

2. Tentative Timeline for the recruitment:-

| Name of post | Date of requisition from EE | Last date of requisition from EE | Date of Notification | Date of issue of forms | Last date of issue/ submission of forms | Issue of admit cards | Date of written exam | Date of viva-voce |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 3 | 4 | 5 | 6 | 7 | 8 | 9 |
| Sl. No. 1 to 3 | 05/08/16 | 03/09/16 | 05/08/16 | 10/08/16 | 05/09/16 | 6th to 16th September 2016 | 25th September 2016 | To be intimated later |
| Sl. No. 4 | 05/08/16 | 03/09/16 | 05/08/16 | 10/08/16 | 05/09/16 | 6th to 16th September 2016 | 18th September 2016 | To be intimated later |
| Sl. No. 5 to 6 | 05/08/16 | 03/09/16 | 05/08/16 | 10/08/16 | 05/09/16 | 6th to 16th September 2016 | NIL | To be intimated later |

3. Age of the aspiring candidate shall be as per State Government Policy on the date of this Notification.

4. The modalities of the examination shall consist of a Multiple Choice Combined Written Test (MCQ) for PA/VLW & LDC comprising of General Knowledge (50 marks) and General English (50 marks) tentatively fixed as per scheduled above followed by a viva-voce (20 marks) at a later date.

5. There shall be a separate Multiple Choice Written Test (MCQ) for RM comprising of General Knowledge (50 marks) and General English (50 marks) tentatively fixed as per scheduled above followed by a viva-voce (20 marks) at a later date.

6. There shall be no written test for Driver & Peon. A combined viva-voce test only shall be held followed by a driving test for the post of Driver.

By Orders,

(**Dr. K. Shyamsunder Singh**)
Director,
Directorate of RD & PR,
Imphal East DC Complex,
Porompat, Imphal.

HL-P/9337/ 5&6 Aug.

## MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR : IMPHAL

### NOTICE

Dated, the 4th August, 2016

**No.MU/1-100/15/Admn.I(Pt.)/483:** In continuaton of this office notification No. 370 dated the 20th July, 2016, it is hereby notified for general information that the last date of submission of 2 (two) passport size photographs and issue of Admit card for the written test examination of the **Assistant Registrar** and **Statistical Assistant** has been extended upto 3 p.m. of the 6th August, 2016.

HL-B/3244/ 5 & 6 — ***Sd/-* Assistant Registrar**

## IN THE HIGH COURT OF MANIPUR AT IMPHAL
**(Criminal Revision Jurisdiction)**
**Criminal Revision Petition No. 9 of 2014**
Code No. 10261

(A criminal revision application u/s 397/401 r/w Sec. 482 of the Code of Criminal Procedure, 1973 (as amended) againist the impugned order dated 15th April, 2014 passed by the Ld. Sessions Judge, Manipur East at Imphal in Sessions Trial Case No. 24 of 2012/69 of 2013.)

Director, Central Bureau of Investigations (C.B.I) Represented by the D.I.G, Head of Branch, Special Crimes Branch, having its office at 2nd Floor, A Wing, DF Block, Salt Lake, Kolkata-700064, West Bengal.

..... Petitioner.

– VERSUS –

1. Shri Huidrom Sadananda Singh @ Ibungo@ Narasena@ Krishna, S/o Huidrom Shyam Kishore of Narasena Maning Leikai, PS Bishnupur, District Bishnupur, Manipur- 795126.

2. Shri Soibam Ibomcha Singh @ Jonee @ Inao @ Premkumar @ Puya @ Subol, S/o S. Bokuljao Singh of Thoubal Kiyam Wangmataba, Manipur-795138.

3. Shri Thokchom Brojen Singh @ Hingchabi, S/o Th. Nimai Singh of Kha Potshangbam Awang Leikai, Manipur-795126.

...... Respondents.

**NOTICE UNDER SUBSTITUTED SERVICE**

To, Shri Huidrom Sadananda Singh @ Ibungo@ Narasena @ Krishna, S/o Huidrom Shyam Kishore of Narasena Maning Leikai, PS Bishnupur, District Bishnupur, Manipur - 795126

Whereas the above named Petitioner has filed a Criminal Revision u/s 397/401 r/w Sec. 482 of the Code of Criminal Procedure, 1973 (as amended) against the impugned order dated 15th April, 2014 passed by the Ld. Sessions Judge, Manipur East at Imphal in Sessions Trial Case No. 24 of 2012/ 69 of 2013; and whereas summons to you could not be effected and served upon you in ordinary way.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making advertisement in the Newspaper requiring you to appear before the Court on 12-08-2016 at 10.30 a.m. either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by someone by law authorized to act for you in the afforementioned case on the date of appearance or before such late date on which the case may be heard, the case will be heard and decided Ex-parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court, this 26 day of July 2016.

By :
Mr. R.K. Somorjit, Advocate
Jr. to K. Pradeep, Advocate
*Dated/Imphal*
The .... July, 2016

By order
Assistant Registrar -I
High Court of Manipur
Imphal (Manipur)

HL-P/9340/6 & 7 Aug

## WALLET LOST

I have lost my Wallet containing ATM Card issued by Kanara Bank, Aadhar Card, College Identity Card issued by Standard College, Driving Licence and Memory Card 4GB & two 2GB, on the way from Wangkhei Ayangpalli to Kongba on 2/08/ 2016. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* Naobi Keisham**
Wangkhei Ningthem Pukhri Mamang Ayangpalli Road
☎ 9774485109

HL-P/9346/ 6

## WALLET LOST

I have lost my Wallet containing Driving Licence, Voter Card, College Identity Card issued by RIT College, Kerela, SBI ATM Card issued by Pampady Kerala bearing Account No. 20112287920, on the way from Kanglatongbi to Motbung on 1/08/2016. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* Achom Nelson**
Khonghampat Mayai Leikai
☎ 8131046215

HL-P/9338/ 6

## MIGRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Migration Certificate issued by CBSE, bearing Roll No. 5186711 and Serial No. Mig/2009/0899632, on the way from Tera Ingudam Leirak to Paona Bazar on 21/07/ 2016. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* Ingudam Jotichand Singh**
Sagolband Ingudam Leirak, Imphal West
☎ 9774438852

HL-P/9347/ 6

## লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3238/3/08-2/09